# ৱারীমচা

## ইম্ফাল চৎলুখিনি

এম ও কুঞ্জমনি

**ঐনা** হেক ভাব তারকপদগী অহাওবা চাবা, ফজবা শেৎপসি ঐগী ইথৌ হেক ওইরকপনি। থাদোকপা য়াদ্রবা হৈপা শাবা হৈনজবী অমনা মীগী লৈত-লায়র, অৱা-অনা উরগনা হেক্তা কপনিংবা। কলেজ চৎমীন্নরিঙৈ মীনাগী ইহাং হাংবা ঙকশমদুতমক হেক্তা উরকপা। নোংমদি ইমাদা ওইদবা হায়শিন্নরগা ঐগী স্নাগী লিক্তো মঙোন্দা শিজিনবীখ্রে, তাহৌরে হায়শিন্নৈ ইমাদা। মীনাদো য়াজদবনি অদুবু ঐনা 'নবুক ফত্ত তৌনু নবুক পৎচনি-' কাইনা হায়শিনবা দৈদি মাসু অদুম য়াখ্রে। মা লৈহৌরকান্দা লতানা অমুক হায়রকই, 'নঙসিমা তঞ্জখ্রে লায়রবগতা হেক তিন্নরদনা।' ঐনা শাওনা খুমখি, 'ইবেম্মা ইনাক কৈরাক খুনবা নখোয়গুম্বসিদি নখোয়দগী হেন্না ইনাক খুনবা মীগতা তিন্নগদৌ হোৎনৈ অদুগা ঐদি চরাম চদৎনরবা লম্বীগী চাক্লিবদগী হৌরদুনা পীকখ্রবা ককচেং ফাওবদা মরুপ ওইনিংই তিন্ননিংঙে।' মচিন্দু খুঙমুক তুমথোক্তুনা 'অদুদি নঙদি নপুন্সিদা নুংঙাইথোকপা হৈররোই।'

কুমজা কয়া হৌখ্রবা লম্বীগী ৱারীশিংদো ঙসিদি য়েনখাগী শিঙ্গারৈ মখোঙসিদা ফম্না-ফম্না ঙরাংত থোকপা থৌদোক্কুম হায়ফেৎ মোমোম তৌনিংলকই। নুংঙাইথোক্কে খন্দুনা টেপ থাগৎলি 'লাক্লবদা পোইনুথা' ঈশৈদুদা ৱাখলসি চপ হেক লুপশিনখিবনি, তাঞ্জাদুদা ঈশৈগী মরক খঙথৎ থৎনা নাপসিদা ঈংনা খোঞ্জেল অমখক নাশোন পীরকখি,

"নুংশিদা ইচাদি নরাশি নগুণনা লৈবনে, চঙলকও ইমাগীসিদা ইচানা অপাম্বা য়াওব্রা য়েংসি, ইমাগীসে বেদ কোভর অরোনবকা য়াওরি, মসিমতং য়োল্লবদি ইমা খরা কোন্নলনি, আ মীরমদা মহৈ তমখিবা ইচানুপীগী শেল থাবা নঙনবা তৌবনি য়েংসি লাও" ঈরা চেল্লবা মীৎস্না অনীনা ঐবু য়েংলগা হায়রকখিবদো ঙসিদি থম্মোয়সে নৌনা মহি চেল্লক্লে।

... অহল ওইরবী মাগী থৌনাদু উরুরগা ইদোম খনবা লেপখিদে- নুপী হায়বসি লৈরংগী মৈশা লাংবা হৈনবতা নত্তনা কোরৌগী য়াক্ল মৈশাদু খাঙবা ঙম্বী, অইং-অশাগা লোয়ননা হুন্নকপা মতমগী হু চেনবা নুংশিৎপুসু মাইরোং য়াবা ঙম্বী মহৌশা লাইরেম্বীগী মমল য়ান্নবা খুদোলনি। মীতোপকী ৱাদি লাপ্পা থৈদোকখ্রগা ঐখোয় মীতৈগীদি, নুপী কাঙলূপসি পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা মতমদা হকচাংবু শক্তি পীরিবা গ্লুকোজগুম্বনি। উহৌদ্রবা থৌদোক কয়াগী ৱারী তারুরগসু মীতৈ পোকপী পলেম্না হেদো নাহে চল্লবা মতমদা মমোম ওইবী কয়ানা গ্লুকোজগী শকওং লৌদুনা ইমাগী শক্তি হাপখিবনি। মীতৈ নুপীগী থৌনাদি অদুঙৈ নুপী লান্দা শক্তাকখ্রবসু ঙসিসু শকয়েং মিংশেল ওইরিমাল্লে "খ্বাইমবন্দ ইমা কৈথেল।" পৃথিবীগী মনুংদা উবা ফংলিগদ্রা ফজরবা অপূম্বা নুপীগী শক্তম 'ইমা কৈথেল' শুক্ষৎপীসিবু?

মীতৈগী ঈহৌরকফম মৈত্রবাক্তো শাথিনা ইংহৌবনি ঐনা চৎলুবা মতমদুদা। উন পুবা ইংলবা নুংশিৎনা লিরি লিরি হুন্নকপদুদি অস! খুরাইদা থাঙতেক্লো থাবনা করি হেল্লুনি? ইবুং ইপ্বা খরমদি য়ুরাই লায়নানা নাবদগী মশাদা ইংলবা নুংশিৎকী শউম ফংহৌদে, অশাবা নুংশিৎনা লৱায় লেম্ফুদা কন্না হিগা য়ৈহৌরি। ৱারেম ঙাংলুরগা পান দুকানদা ক্বা চারুবগী ঙাঙলবা মচিনবান্দু কাথোক্তুনা য়ূমলৈমদুদা লক্ষ্মী চেন্দবী মিঙ্গৌহৌরি। ক্বাক্কী খোঞ্জেল তাবা ফংলক্ত্রবা মফমদুদা চনুরা কয়া শক্তম লাংহৌরি মপুরোইবগী ফুরিৎখাউ হাংদনবা। থোৎ নৌজরিবী ইনাও নুপী কয়ানা খম্নুগী শক্তম লাংহৌরি মবুং মৌপ্বা কয়াগী শেৎপা-চাবা মনিং থুংহন্নবা ফিশাকোন্দা চরৈ য়োঙ্খম মাঙদা থা, পাঙনদেম জগোয় শাহৌরি। লোইজিং লোয়া নিলহৌই ফিশাখোল, নোংমৈ গুলিগী মখোল নক্ষৎতুনা তোক-তা, তোক-তা। মায়কৈ অমরোমদা থৌনা ফরবা মরৈবাকপু মথ্বায়মকনি খঞ্জবা ইমুং ইপ্বা কয়া অমদি পলেমগী নীংথিবা শক্তম মাঙখিদনবা য়েক্লবা লাক্কদবা মায়কৈদা পরেং নাইনা লেপ্লদুনা নাখোকলিবা মনাও কয়াদা "ইনুং শোরা ঙানগদৌরে খোমলেন মিকপ থোকলো" ঙাইহৌরি।

য়ূমদা হন্দ্রিঙৈ নোংমতংদি ইম্ফাল চৎকে খনবনি অদুবু অদুদা অদু তৌরে, আদা তৌরে অদৈদি বন্দ। তুন্নমদায় মতমদুদা ইতোমদা ৱাহং কয়া হংজখি 'ইমাগী তম্পাকসিদা শিঙম নাঙমদনা শিখ্রবা মীওইবগী থৱায় কয়া মৈগী চীং পোকখায়বদা পাইথোরকপা লাভাগুম মৈত্রবাক্কী অতিয়া মকোইসিদা কোইপাই পাইদুনা শান্নরমগদ্রা?' তাঞ্জা অদুদদি ইমাঙদা অমুবা অমা ইৱাং ৱাংনা লেপ্পদৌনা কিরকখি। নোং ঙাল্লমদায় কাং অমনা ঈশৈ ঙংলদুনা ঐগী পাম্মুজবী খজাইসিদা তোক হেক থারকপদুদা মিকপ খংথোক থোরকখি।

হয়েংদি য়ূমদা হনগদবনি, ইম্ফালদগী পোৎ- চৈ খরা লৈরুগে খন্দুনা য়ূমলাই খুরুমজরম্মী, "পলেম পম্বৌ শক্লবা লাইনিংথৌ লৈমরেন, নমোমগী থোৎ-নৌরবী হকচাং, চৈতেক অমনা খজিক্তং থিনবদা নাজরিবা, মসিদা শাফু কল্লবা নোংমৈ গুলিনকাদি ঙাথু থেংথুহনবীগনুকো ঙাথু থেংথুবীবা তারবসু মতাং চানা, মফম মতম চানা..."। অদৈদি চূড়াচান্দপুর গাড়ী অমা হাইগৎলকপদু তোংখৎলগা ইম্ফাল য়ৌখিবা খঙহৌদে। গাড়ীদগী হেক কুমথবগা লিক-খূজি য়োনবা দুকান পরিংদুদা চঙশিল্লি। করি অমুক হায়নি নুপীনি অরং-অরাক স্নানচিংবা পাম্বসিদি তাউবা হুইনা অমদু পাম্বগুম্বনি। ঐসু লৈ অমখক য়াঞ্জরিবসি অনৌবা মওংগী অমত্তং য়েংখিগে খন্দুনা অহানবা দুকানদুদা চঙশিল্লি। মীনা চিনমনবদুদদি থংনবা দুকানদুদা ঙাইহাক ফমদুনা মী খরা হাংলকপা ঙাইবনি। মীয়াই চল্লবী নুপী অমা- 'ইবুংঙো অনৌবা মওংগী সন অহুম্নকা শাবা- সনরেম্বী মওংগী লৈকা য়াওরবদি ঐগী সন অনীমখায়না শাবনি অৱাৎ-অপা হাপ্পরগা অমত্তং লৌখিগে।'

দুকান্দার - 'ফনি ঙাইহাক্তং ঙাইবীখো।'

নুপীদুনা মনাদগী স্না অদু লৌথোক্লগা দুকান্দারদুগী মমাঙদা লৈরিবা মিংশেল চনবা বোক্সতুদা থমখি।

ফনা কুইনা মীয়ামগী কৃষ্ণে য়েংলবা তুংদা দুকান্দসু মী খরা কোমলে চঙলগে তৌরকপদা ঙসাইগী মৌদুগা দুকান্দার অদুগা খোন কনখৎনরকই।

দুকান্দার - 'করিনোনে হায়বীরিসিবু কদায়দা করম্বা মতমদা থল্লিবনো?'

মৌ - শিদগী বোক্স মথকসিদনি ইবুংঙোনা পায়রগা য়েংবীখিবা। মী য়াম্মী ঙাইহাক্তং ঙাইখো হায়বদুদা ঐসু সুম ঙাইজবনি। ইবুংঙোগী পোৎ মরক্তকা অমুক্তং য়েংবীগেরা?

- খঙদ্রে, লৌদ্রে হায়রদি কোক চৎপীখ্রো। কদায়দৈ লৱায় থৱায়গী অঙাওবীদৌনা মথাকাসি শাগৎহল্লে দুকান্দারদুনা মচিন পেনবমখৈ চৈরকখি।

উপায় লৈত্রবী মৌদো পীরাংনা থুক্ষৎলবা মীৎস্না অনীনা নিপা অদুদা মুন্না য়েংলম্নগা মচিন্দা মুরুম-মুরুম শোল্লগা থোকখি। "ঐগী নুপা মতাদুগা, ঐনা করি হায়না তম্লুগনি" হায়না ফিজিনা তারক্লিবা পীরাংদো তৈথোক্লগা অদুম থোকখ্রে।

খুদক্তুদা মাগী বোক্সতু ফাক্তুনা য়েংনিংখিবনি। ইচিনসিদসু ঙাংনিংবা ৱাহৈ কয়ানি, "তাদা ইশাদি শাথিনা নানখ্রে অদুগা ঙাংথোকপীরকপা ৱাহৈদি ওন্থোক্লা ৱাই চাইখ্রেদা। লৱায় থৱায়গী হুমাংমননি তাদখোয়গী চাকখাউ থল্লিবসি কাউবীদবা ফৈ।" কৈদৌনি ঙাংবদি ঙমখিদে। পঙলবী ইচে মানবীদুদা হায়নিংখি 'ইচে মতুংদগীদি পোৎ-চৈ লৈবদা খরা চেকশিনবীয়ু' অদুবু মাগী শক্তমদি ঐগী মীৎয়েংদগী তামথোকখ্রে।

কৌশিল্লকখিবনি ঐবুসু "ইচেম্মা করি য়েংসিগে? লৈ অমখক য়েংজগে ঙাইজবনি অদুবু তাদ ঐ স্নাকা য়াঞ্জনিংদ্রেদা।" ঐগী ৱাদু তারগা মখা অমুক তারকখিদ্রে। মফমদু তুংওইনরম্নগা 'ইমা কৈথেল' তম্না মায় ওল্লকখি। মোরেগী পোৎ য়োনবা দুকান পরিংদু উবদগী কোলকুলেটার অমখক লৈগে খনবদু নীংশিংলকখি। পাখঙ মচা অনী ফম্বা দুকান্দুদা হংলুই, "ইবুংঙোখোয় কেলকুলেটার য়াওরবদি অমত্তং য়েংখিগেবা?" "য়াওজদে" খুম্নকখি। ফনা শাংনা চৎখৎলুরগা অমুক কৌশিল্লকই- "ইচে অমুক্তং হনবীরকখো অমখক য়াওরম্লে।" পরপ পরপ চঙশিল্লি ঐসু। (পোৎতু উৎলকই) "মসিদি নখোয়না শীজিন্নবা কুইরমান্নে য়াম্না মল্লেবো ঐনা থীরিবনা অহনবা।" "অমনবা শীজিন্নবা নত্তে ইচে অমুক্তং মুন্না য়েংবীয়ু।" ঙাইহাক্কী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক্তু অমুক নীংশিংলকই মিহুনসি অম'নি মখে লাংঙকই- "ইবুঙো-উরে, উরে নচেনা উপলিবা অনোকসি মীৎ তাংবগী নত্তে দিজাইন্নি দিজাইন, নচে নচন্দা নমথাক তৌরগা শেল তানগনু নৎত্রবদি নাম্মা হাংজনি জুরা শুদনা খঙলেদনা। নখোয়গুম্বা শুনিংদবা নমথাক তৌবা কয়াসি থোরকপদগী মতম অমগী স্না লৈবাকসে কোরি লৈবাক তাহনগদৌরি।" "ইচেগীসি ঐখোয়দা পাউতাক পীবা লাকপীরিব্রা? লেঙবীখ্রো" "চৎনিংলগা চৎখিনি হঙ্গৎ হন্দা বাজারসি নখোয়তগীরো? খঙদ্রগসু তাহৌ "স্না লৈবাক্কী লৈহাওদা চাউজবী নমাগুম্বা নচেগুম্বী চনুরা কয়া নমথাক তৌবা নখোয়গুম্বা কয়া ৱারক্লবা- খোৱাংচেৎ মচি লাংলদুনা মফম খুদিং কাউথোক্কনু। পাউতাক পীবদগী হেন্দোক্তুনা নখজাইদুদা খূবাকসিনা শেৎ লাউনা লৌবসু ঙম্বজাৎনি।"

অস! হায়রগা মখজাইদু নাল্ল নাল্লদুনা অদুম য়েংদুনা লৈহৌরে। ঐসু নাকলগী ফিয়োনবী ইমা ইন্দোলশিংগী মায়কৈরোমদা অদুম চঙশিল্লে। মথং মথং ঐবু কৌশিনবা হৌরকই, করি হায়নি মখোয়গী নৌথবীদুনিদনা। "আ ইচেম্মা করি য়েংসিগে? নশকনে নতৌনে নুংশিদা।" মথং মথং ৱাহৈ ময়াম মখোয়গী থাগৎপীদো। ঐ হৈনবোই হৈনদবোই চঙশিল্লি। অমনা হায়রকই- "করি লমদগীনো ইচেম্মবো?" পূক্লীংদা কল্লি (ফি য়োনগেদি লৈতনা কৈদৌবৈ ঐগী লৈফম হংলকইনো) অশেংবা খুমদ্রে, "আ থিনুঙ্গৈদগীনি" মখোয় ৱা লাউনা নোকই। ঐগী মমাঙগী থৌদোকশিংদগী লেমহৌবা মিহুন খরদু অমুক নৌনা কাঙলকখি। হন্দক্তি লেম্না থাররোই, হৌবু হৌরক্লবা হেক্তা ফোইদৎনরগে খল্লি। ঐগী ইশমসি খ্বাইরমবন্দ বাজারদা লৈহৌরগা লৈহৌ, মখোয়গী ফোইরগা য়ূমদা হল্লগা হন, কোমগোম তৌরম্বা ফনেক চেৎনা শেৎচিল্লি। ঐনা শাওরপ্পা হংখি, "য়াম্না নোকপীরিসিবু ঐনা করি শোয়খিবা য়াওরবগে?" খরা অহল ওইবী- "ইচাবু করি শোয়গদগে নশক নতৌনা নুংশিবনে, ৱাঙাং শঙাংনা নুংশিরিবা, আ মনুং হঞ্জনবা মফমদগী মান্দবা, লম্না লৱাই ইম্ফাল খাইদে হায়বদুনি। শুম পংনোক নোকসি তৌবনিদা ৱারৌনু ইচাসিদি। নোকপা হায়বসিসু অৱাবা পোৎলুম থাবগুম্বনি।"

"ইমাগীসিদা ইচানা পামগদবা পোৎ য়াওরি য়েংখিসি লাও এমব্রোইদরি তৌবা গার্দন শ্লিপকী বেদ কোভরনি। ইমানা অহিং তুমদবমখৈ হেক লোনবা। আ মীরমদা মহৈ তমখিবী ইচানুপীগী শেল থাবা নংনবা য়োনবনি। ইচানা পান্ত্রা অমুক্তং য়েংশিদো। অৱামনকা লৌররোই অচঙবা শেলতমক থল্লম্মু। মপানা থবক মচা অমা তৌরিঙৈ ইচানুপাদি শেম্বীদুনা থবক অমা তৌহৌরে। মপা লৈখিদ্রে, ইচানুপীদি ঐনা শেম্বা তাবনি। ঐনা খনবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমা ইচানুপাদো থবক তৌরবা তুংদদি শকহেনবীদুনা অদুম চেন্নখ্রে, ইমাবু হন্না য়েংখিদ্রে। করি হায়নি ইবেম্মা, হৌজিক্কী অয়াম্বা নহারোলসে নুপী (মৌ) হেক থিবগা মৌদুনা অমুক নৌনা পোকখ্রে। মমা-মপা মচিন-মনাও কাউখ্রে। য়ুগকী চৎনবী কনানা থিংলুনি। হায়নবা লৈ 'পিবা পোকপা ইমৌগী, নিঙোল পোকপা ইয়াগী' চুমখ্রেদা। অদুবু শেম্বী-শাবীদবদি য়াদেদো মখোয়না নুংঙাই য়াইফনা পাঞ্জহৌরগা লোইরে।" পিরাং তৈথোক তৈথোক্লা ঐবু নানবীরগা হায়রকই, "নুংশিদা ইচাদি নপুক নপাউ ফরমগদবা মাল্লিদা।" ৱারীগী মঙলান অমদা ঐ মঙলাক্লরুরবা তুংদা ইমাদুনা নাম্ববীরকপা মীৎকুপ্পুদা ভাব খঙতা তারকখি। "মমল কয়ানো ইমা? ঐসু থেঙখ্রনি হল্লগে।" "লুপা চামঙামকু চঙই-। অদুতমক থনম্মু।" ঐনা বেগ য়েংলুবদা শুপ্নতগী চাতরুক তরাতমক য়াওরম্মী। তরাখক খাকহৌরগা চাতরুক পীরগা ফিদো য়োমশিল্লগা- 'মথং লাকপদা অমুক উনসি ইমা' হায়রম্নগা নুমিৎতো খ্বাইরমবন্দ বাজারদগী বিদায় লৌরকখি।

নুমিদাং চাক চাবা লোইরগা ফিদো হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা পিলো কোভর ৪ টেবল ক্লোট অহুম হেঞ্জন্না য়াওরক্লম্মী। ৱারী শারম্বদগী কাউথোক্তুনা ইমাদুনা হেন্না য়োমশিল্লকপা ওইরমাল্লে। নোং ঙানবগা পীরুগদবসু ঐদি অঙনবা ফ্লাইটতা ইয়ুম মায়কৈ পাঙলক্লনি। মমিং লৈফমসু খঙদবা, মশক্তমক উরকপা, কনাদা শিন্নরমগনি অদুগা করম্বা লাইবক ফবা কুমজাদা অমুক ইম্ফাল চৎকদবা। ঐগী ৱাখলসি নোংলৈ মরক্তা পাইরিবা তেলঙ্গাগী পীক্লবা মরী লংলাগুম পীকশিনখি।

নোং ঙানবগা পেন্দ্রবা ৱাখল অমগা লোয়ননা য়ূমদা হল্লকখিবনি। ইমাগী হেঞ্জল্লকপা ফিদো ঙসিসু ফিথুপ নাইনা থুপ্তুনা অলমিরা মনুংদা থমলি। শিদ্রবদি নোংমদি ইম্ফাল চৎলুখিনি। খূৎশিন্নফম খঙদ্রবা চিঠি কয়া অমসু অহিংগী অচিকপদা ইরি ইমাদুদা-

ইমা ফিজোনবী ইমাগী খূৎশুমন শেলদি লৌহৌরে, অদুগা ইমা নঙগী হুমাংমনদি ঐনা পুদুনা লাক্লে। মীরৈবাক্তা লৈখিবা নমোমগী শেল থাবা কোন্নখিব্রা? ঐনা নোংমা ইম্ফালদা লাকপা মতমদা ইমাগী হুমাং মমলসে পুদুনা লাকচগে। লৈরমখোকো অখাঙ কনবী পলেম-ও

ইমা কৈথেলগী চিদায়দা।

# তাবুনুংদগী

মতম অমদা মৈতৈগী অঙাংশিংনা ক্বাক তানবী শান্নবা কৌবা মশান্না অমা শান্নরম্মী। শান্নবগী মওংদি খরা চাউবী অঙাং অমনা মকোক থংলগা মতুংদা মথং-মথং খ্বাঙ-খ্বাঙদা পায়নদুনা পরেং লেঙবনি। অদুগা ক্বাক শাবা অঙাং অমনা মরেং অদুগা ইকোন কোনবা অঙাং অদু শোক্লবা হোৎনবনি। অসুম্না শান্নবা অদুদা মপী শাবী অমদি ক্বাক শাবী অনীনা অৱাই-অখুম তৌনদুনা ঙাংনবা মরোল অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

ক্বাক ক্বাক
করি পোউনো?
ময়াং পাউনে।
চাক চখোম'মতা চাগে।
চাফদে
ঈশিং খূয়ামতা থক্লে।
থকফদে
তুংদা লৈরিবা অসি কনানো?
ইচা খোমদোন্নি।
নচা খোমদোন পীয়ু।
পীফদে
ঐদি লৌনি।
লৌফদে
নাকল চঙগে?
লাই লৈ।
নথক লানগে
কোরৌ লৈ।
নক্রাং লিংকে
মালেম লৈ।
শ্বাঃ

# মণিপুরী পাম্থৈ-পাউরৌ, পাউতাক

* **কৈরোই লৈকাই লোনদিন্নদবদি অৱাবা নংগল্লি।**
  - নক্লনা লৈমিন্নরিবা মীগা নুংশি চান্নরা লৈমিন্নদ্রবদি খুদোংচাদবা থোক্কল্লি।
* **কৈরোই লৈকাইগী ইজৎতা চাকখুম মৈ মুৎপা।**
  - লৈকাইগী থবক থানাদা চোপ্তনবা হোৎনবদা ইমুং পুবা ঙম্মক্তবা।
* **কৈরাক থাবা মচা মশু।**
  - নুংঙাই য়াইফনা হৌরকপা মী।
* **কৈরাক থাবা মচা মশুনি, ফরমগনি। (মপা মপুনা কৈরাক থাবীরম্বা)**
  - তুংগী মচা মশুগী খল্লগা তৌবীরম্বা অহলশিংগী থবক।
* **কৈথেল তাকপা ঙাইবা।**
  - মীয়াম হন্নখিবা ঙাইবা।
  - মমৈ খোমগনবা থৌশাগন্দবা মী।
* **কৈথেল মচা মমীৎ শিংই।**
  - কৈথেলদা লৈগনবা হৈথোই শিংথোইবা মী।
* **কৈনৌ ৱায়েন্না মফরে।**
  - অমসু অমসু য়ানবা মওংগী ৱায়েল।
  - তুং-মাঙ য়েংনা তৌবা ৱায়েল।
* **কৈনৌ ৱায়েল তৌব্রা হায়ববু অৱা (কবো) ৱায়েল তাদুনা তোক্কনি।**
  - অচুম্বা ৱায়েল তৌবগী মহুত্তা অরানবা ৱায়েল ওইখিবগী মওং।
* **কোনা কোনবা মফমদা লৈবা ফৈ।**
  - ইশাগী লৌশিংনা খঙবা অঙম্বা থবক খক্তা তৌবা ফৈ।
  - ইশাগী শোইররোইদবা মফমদা লৈগদবনি।
* **কোক অরিবা লৌশিং লৈ।**
  - লৌশিং লৈবা অহল।
  - চহী য়াম্নবদি লৌশিংসু লৈ।

খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন

# চানক্য নীতি

- শান্তি লৈবা মফমদা মশাগী য়ূমদা লৈরিবা, মচানুপা নুপী শিংবা অমদি চীঙ লেম্বা, ফজরবী লোয়নবীনা খোয়থুম্ননা ঙাঙলবা, পুকচেল শেংনা তানবা লন মতীক চানা লৈরবা, অপাম্বা অমদি দরকার লৈবশিং ফংলবা, লোয়নবী নুপীগা লৈমিন্নবদা নুংঙাইবা ফংলবা, মনাইশিংনা হায়বা ইল্লবা, য়ূমদা লাকপশিংবু লুনা তৌরবা, ভগবান শিববু লাৎচরিবা, নুংতিগী অথুম-অহাউ চারিবা অমসুং সাধু সঙ্গবু পাল্লিবা য়ূম্বানবা নুপাদু অথোইবনি অদুগা নুংঙাইরবনি।
- অৱাবা তারিবা ব্রাহ্মণদা খজিক্তং থম্মোয় শেংনা পীরিবা মীদুদা মরাঙ কায়না লন চঙলক্কনি। মরম অসিনা হে নিংথৌ, অফবা ব্রাহ্মণদা পীখিবসিদি হন্দুনা ফংলকইবদু চাং ৱাংনা লাকই।
- মরী মতাগা নুংশিনা লোয়নবা, অতোপ্পদা থৌজানবীবা, ফত্তবশিংদা শাথিবা, অফবশিংদা পেম্থোকপা, অপঙবদা তোপ্পা লৈবা, অশিংবদা ইচম চম্বা, য়েক্লবদা থৌনা ফবা, গুরুশিংদা নোল্লুকপা, নুপীদা শুক্ষত্তবা, অদুগুম্বা মীদু হৈ শিংবনি, অচৌবা মীনি, অদুগুম্বা মীনা তাইবঙপানসি লৈহল্লিবনি।
- করিমত্তা পীথোক্ত্রবা খূৎ, শাস্ত্রনা হায়বা তাদ্রবা নাকোং, সাধু সন্ত য়েংদ্রবা মীৎ, তীর্থ চৎত্রবা খোঙ, চুমদবা মওংদা তানবা লন অদুগা নাপলনা হাইগৎলবা কোক, মী অদুদি মীগী শক্তম ওইবা লমহুইনি। মহাক্তি খুদক্তা হকচাং থাদোক্কদবনি। মা শিবনা হিংবদগী হেন্না কান্নগনি।
- পাম্বীশিংদা মনা লৈত্রে (কেনখ্রে), মসিদা বসন্ত (ঋতু) গী করি মরালনো? নুংথিলদা মকুনা উবা ঙমদে, মসিদা নুমিৎকী মরাল করিনো? নোঙ্গৌবীগী মচীন্দা ঈশিং মরীক অমত্তা তাহল্লমদে, মসিদা লৈচিলগী করি মরালনো? পোকপা মতমদা ঐখোয়গী লাইবক্তা ইরম্মবশিংদগী কনানা নাম্থোকপা ঙম্বগে?

হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

# মণিপুরী পাউখোং

**ঙসিগী পাউখোং ঃ**

১৯০. পাম্বী অমদা মশা তরানিথোই, মনা চহুম হুম্ফুমঙা মহৈ তরেৎ পানবা করিনো-

১৯১. চৎখিবা মতমদদি মখোঙ নিপান হল্লকপা মতমদদি মখোঙ অনী পানবা করিনো?

১৯২. নুপী অমনা হায়- 'হো নঙ লাক্কনি খঙলম্নবদি, ঐ ৱানা লাকচরম্মোইদবনি'-

১৯৩. হিন্দী, ইংলিশ অমসুং মণিপুরীগী খোম্থোক অহুম য়াওবা ৱাহৈ অমা হায়য়ু-

**মমাঙ নোংমাইজিং (০৭-০৭-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ**

১৮৮. অশি হৈবোং মখোঙদা শিহৌরে, হলনা ফাওবা চাহৌরে।

১৮৯. শগোল শুবা য়াবা/ চনবা খুদেং অমতং শাবীয়ু।

# চয়োল্পাসিগী ফাগী

**পুন্সিগী মমল!!**

নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী ইকুই-কুইদনা মতমগী মনুংদা মাঙখ্রগনি হায়নরক্লবা লোক্তাক পাৎকী মরমদা কুপ্না থিজিল্লবা ৱারেং অমখক ইগে খল্লদুনা মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎকী লমদা থৱায় য়াওজবা ওজা অমখক থাঙ্গদা চৎলগা, হি-হোনবদা য়াম্না হৈ-শিংলবনি হায়বা অমখক নেক্লগা লোক্তাক ঈরাইদা হি তোংদুনা কোইচৎ চৎলম্মী। অসুম হি তোংমীন্নবদুদা ওজাদুনা হি-হোনবা নহাদুদা ৱারী তৌই-

**ওজা** - ইবুংঙো নঙদি লাইরিক্কাদি কয়াম তম্লে?

**নহা** - অস! ওজা ঐদি লাইরিক্কাদি অমত্তা তমজহৌদ্রেবু।

**ওজা** - ইশে-ইশে, নরাইবক থীরেদা নঙদি, হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক হৈহৌদবা হায়বসিমক মীওইদুগী মপুন্সিগী শরুক তঙ্খায় অমদি লেম্না মাঙখ্রবগুম্বনিনে! (মতাংসিদা কদোমদৈনো খঙহৌদনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ হুন্নক্তুনা হোল্লিবা হিদু ঈরাকখিবা য়াবগী ফীভম লাক্লম্মী...)

**নহা** - ওজা, ঈরোইবদি হৈবীকো?

**ওজা** - এ! ঐদি হৈতেনে ইবুঙো!

**নহা** - অদুদি ওজা, ওজাগী পুন্সিগী শরুক পূম্নমক মাঙবীবা তারে।

**মীচঙ মীখায়গী ৱা!!**

হোস্পিটালগী মেটরনিটি ৱার্দতা অঙাং উনগদগী লৈরবী নুপীশিংগী নুপাশিংদু অয়ূক্কী ডাক্তরশিংনা রাউন্দ চৎপগী মতাং থোক্লদুনা মপান্দা লোইনমক লৈহল্লম্মী। নুপা ময়ামদুগী মরক্তা অহিং লেপ্লক্লবা খরসু য়াওরি অদুগা ঙাইহাক্কী মমাঙ অয়ূকখক্তদা লাকখিবসু য়াওরি। চৈরক্তুদা নর্স অমনা পরপ-পরপ থোরক্লগা, অয়ূকখক্তদা লাকপী নুপী অমগী নুপাদা- "তামো কিলো অহুমমখায় লুম্বা নচানুপা অমা পোক্লে" হায়না হরাউনা তম্নে। ৱাদু তাবদা মপান্দা লৈরিবা নুপাশিংদুগী মরক্তগী অমনদি খংশাও শাওগৎলবা মওংদা খোন কন্না হায়রকই, "করিনো সিষ্টর, শেঞ্জা থুমজা মীচঙ-মীখায়গীসু ঙমখৈ খর-খরদি থম্বীবা ফৈ, মপান থোকপীমল্লবসু লায়রবা ঐখোয়সে তুমিন্না লৈবা ঙম্লক্কে, নুপীশিংগীদি শিফম-নাফমগী লাম্থেং ওইরিবা অঙাং পোকপদা ফাওবা অসুক মীচঙ-মীখায় নাইবীবদি ধর্ম থোকমন্দে..."।

**নর্স** - (ইঙক-ঙকই, অতৈনসু নুপাদুদা ঙক্না য়েংনৈ) হায়বীরিবদু করিনো হায়বা ঐদি ভাব তাজদ্রে...!

**নুপা** - ভাব তাদবা হায়বদি করিনো সিষ্টর, ঙরাং নুংথিলদগীনা হৌজিক ফাওবা অহিং মীৎশেং খাঙবমখৈ চারম-থক্লম খঙদনা ঙাইজরক্লিবা ঐখোয়গীনা হৌজিকফাও পোকপীদ্রগা, হৌজিক লাকপা মীগীনা অঙাং পোক্লে হায়বীরিসিদা শাউনিংলোইদৌবসিবু কনানো!

# শৈরেং

## মীৎকপ থোক্লো

– ইরোম মোবি

লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী লমদমনি
ইপুথৌ পাখঙবনা কোল্লি
লাইনিং লাইশোল লোল ময়েক
হৌন-লোনচৎ ৱারী শিংবুল
পূম্নমক ৱাত্তনা লৈরি
য়েলহৌমী ওইবগী নুংঙাইনা লৈজরিবা
ঐখোয়না মাইনোরিটি তারবা
ও! ওম্থোক্লা নুংঙাইতেদা।
ইচাশা ইশুশা ঙন্না য়াহৌ
শুবা নোম্বা কল্লু তনগনু
মাইনোরিটি তারে ঐখোয়
মীশীং য়ামহন্দবা য়াদে
মতাং মতম চানা
য়ূম পান্দবা য়াদে
অঙাং মশীং য়ামদবা য়াদে
অঙাং য়াম্না পোক্লবদি
য়েলহৌমী ঐখোয় কনগদৌরিবনি
তোম্বনা হেংগে খনগনু
হৌগৎলু হৌগৎলু
মীৎকপ থোক্লো নখোয়বো।

## চৈথেং

– কাংজম হেমন্ত সিংহ

ঙাইজরকপনি নঙতবু
মতম ওইরক্লে খন
মারাক্ত্রবদা নঙনা
ৱাজৈ ঐদি
মীৎকুপ খুদিং
করি থোক্লগবা
মথং কুমওন লাকপদা,
খন্দ্রবরা নঙদি ঐখোয়গী
ওইরক্কদবা অৱাবা।

খরি লৌবুক কয়ানা
অরাম খৌরাং কোকহল্লনি খল
নঙতবু ঙাইরি
য়েংজদুনা নোংমদোনথক্তা।

উহল্লরোইদ্রা নঙনা
খরি লৌবুক্কী মশাইগোন্দা
লীরি শিংপা মালংগী তাম্থাদা
ফৌনানা জগোয় শাবদো।
লংজরুবা ইরালগী
দন্দিনি খন
পীরিবরা চৈথেংসে।

## লমন

– চাওবা লুৱাং

হে পৃথি পলেম ইমা
ঐ খঙই
নথবাক্তনি নেৎলিবা
ঐগী খোঙপাক্লা মতম চুপ্পা।
কিরিবনি ঐ
মদুগী পুগদবা পাপশিংদুগী
মদুমক্লনি খল্লিবসু
করিগুম্বা খরদংদি তৌরমগে
পুন্সিসিনা ইমা নঙগীদমক।

## চৎখ্রবা চহী

– এ কিরন

ঙরাংত শান্নমীন্নরম্বী
মাগী মোলংখাদা
লোইশিনমীন্নবা ঙমখিদ্রবা
ৱারী কয়া ননশিল্লন্নি
মানা চৎখ্রবা তুংসিদসু।
অরোনবা অথুপ্পা ৱারীশিংগী মরক্তা
তশেং-তশেংনা উখিবা
অমম্বা থাউমৈগী অঙানবা মৈঙালদা
তেনশিনমীন্নখিবা ঙমহৌদ্রবা
ৱারী কয়াসু লেমহৌরে।